

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস



Tuesday, April 06, 2021, Imphal — Page 11


মুম্বাইদা শান্নগদবা আই পি এল ২০২১গী মেটচশিং অদু মহারাষ্ট্র লৈঙাক্না এপ্রিল ৩০ ফাওবা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা অকনবা অথিংবা কয়া থম্লবসু হান্না লেপখিবা শান্নবগী মতম অদুদা অহোংবা লৈরোই হায়না ফোঙদোকখিবা বি সী সী আইগী প্রসিদেন্ট গঙ্গুলি

মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা পোলেন্দগী হুবর্ট হুর্কাজকী মখূৎতা মায়থীবা নংখ্রবা মশাগী চহী ১৯ শুবদা ঙাইরিবা ইটালিগী জানিক সিন্নরনা মেটচ অদুদা বেক হেন্দ শোট অমা তৌখিবা

## হুবর্ট হুর্কাজনা মিয়ামি ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংদুনা পোলেন্দ লৈবাক্কী টেন্নিস পুৱারী অমা ইখ্রে

ফ্লোরিদা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

হুবর্ট হুর্কাজনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মায় পাক্কুনা পোলেন্দ লৈবাক্কী ওইনা অহানবা মাষ্টর্স ১০০০গী টুর্নামেন্ট ওইরিবা মিয়ামি ওপন লৌদুনা অনৌবা পুৱারী অমা থমখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা হুবর্ট হুর্কাজনা ঙরাং লৌখিবা টাইটল অদু মহাক্কী করিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা টাইটলনি। ফাইনেলদা মহাক্না ইটালিগী নহা ওইরিবা চহী ১৯দা ঙাইরিবা জানিক সিন্নরগা লম্বা তৌনখিবনি।

৩৮শুবা রেঙ্কতা শরুক য়ারকখিবা হুর্কাজনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপদা মালেমগী ওইনা মকোক-মথং তাবা ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা শান্নরোয় অনী মায়থীবা পীরমখি। মহাক্কী রেঙ্কিং অসি মথংগী চয়োলদা নৌনা এ টি পিগী মায়কৈদগী থোক্লকপা মতমদা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ওইনা ১৬শুবা পোজিসনদা লৈগদৌরি।



ঙরাংগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু হুর্কাজনা অহৌবা গেম ৩ থোইদুনা ৩-০দা মাঙজিল থাখিবনি। অদুবু জানিক সিন্নরনা অমুক ফজরক্কুনা টাই ব্রেকতা লাকখি। সিন্নরগী মায়কৈদগী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু মহাক্কী করিয়রগী মাষ্টর্স ১০০০গী অহুম্লকশুবা টুর্নামেন্ট ওইরিবনি। মহাক্কী মায়কৈদগী অহানবা সেট অদুদা ৬-৫দা মাঙজিল থারিঙৈ মহাক্কী সর্ভিস গেম অদু হুর্কাজনা ব্রেক তৌরগা টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা হুর্কাজনা ৭-৪দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা হুর্কাজনা জানিক সিন্নরগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। হর্কাজনা মহাক্কী টাইটল অসি লৌবগী লম্বেলদা মকোক থোংবা শান্নরোয় রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভ অমসুং গ্রিসকী ষ্টিফানোস সীসীপাসপুসু থোইরম্বনি।

য়ু এস দোল্লর ৩,২৬০,১৯০ লৈবা নুপীগী কাঙলূপ্তা ঙরাং শান্নখিবা দবলসকী ফাইনেল মেটচতা জপানগী প্যের সুকো ওয়ামা অমসুং ইনা শিবহারানা য়ু এস এগী হেলি কার্টর অমসুং ব্রাজিলগী লুইজা ষ্টেফানিগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট ২দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি। অহানবা সেট অদুদা জপানগী প্যের অদুনা য়ু এস অমসুং ব্রাজিলগী প্যেরবু ৬-২দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটতা অকনবা লম্বা মায়োক্নরবসু জপানগী প্যের অদুনা ৭-৫দা থোইরগা নুপীগী দবলসকী চেম্পিয়ন ওইখি।

## নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা টোকিও ওলিম্পিক্কী শরুক য়াগদবা শুটর ১৫গী মমিং লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শুটর ১৫না শাবা কন্টিঞ্জেন্ট অমা নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙরাং অথেংবদা লাউথোকখ্রে।

ঙরাং নুংথিল সেলেক্সন কম্মিটিনা পুং ৫ হেন্না মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা শুটর ১৫গী মমিং লাউথোকপদা নৎতনা রিজর্ভ ওইনা শুটর ১৪সু থমখি। মরমদি কোভিদ-১৯গী নৌনা লাক্লিবা ৱেভ অসিনা খল্লবা শুটরশিংগী মরক্তা পোজিটিভ ওইবা য়াওরক্লবদি মহুৎ শিন্নবা খোঙথাংনি হায়না নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রনিন্দর সিংহনা হৌখিবা থাদা পুথোকখিবা ৱাফম অদু ঙরাং থবক ওইনা পায়খৎখিবনি।



ইন্দিয়াগী নেসনল টিমনা ওলিম্পিক গেমসকী ক্বোটা ১৫ অদুদা চনখিদবা হৌজিক-হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী মিটর ১০গী এয়র রাইফল শুটর এলাভেনিল বলারিবনবু নৌনা এসোসিএসন অসিনা খনখিবনি। মহাক্না শরুক য়াগদৌরিবা ক্বোটা অদু মাংজৌননা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর অনজুম মোদগিলনা ফংবা ঙমখিবনি।

নেসনল সেলেক্সন কম্মিটিনা লেপখিবা ৱারেপ অমদা নুপীগী মিটর ২৫গী পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ওইনা চিনকি য়াদবনা ক্বোটা ফংলবা মতুং অনজুম মোদগিলদা ওইনা পীগদৌরি। কাঙলোনগী মতুংইন্না লৈবাক অমগী ওইনা চপ মান্নবা জেন্দরগী মনুংদা ক্বোটাশিং অদু লৌথোক-লৌশিন তৌবা য়াই।

খনগৎলবা শুটরশিং অদুদি নুপাগীদা মিটর ১০গী এয়র রাইফল-দিবিয়ান্স, দিপক অদুগা রিজর্ভতা সন্দিপ অমসুং প্রতাপনি। মিটর ৫০ রাইফল ৩ পোজিসন- সঞ্জিব, প্রতাপ সিংহ, লোয়ননা রিজর্ভতা স্বাপনিল অমসুং চেননি। মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা সৌরভ অমসুং অভিশেক লোয়ননা রিজর্ভতা শাহজা অমসুং ওম প্রকাশনি।

নুপীগীদা মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা অপুরভি অমসুং এলাভেনিল অদুগা রিজর্ভতা অনজুম অমসুং স্রিয়ানি। মিটর ৫০ রাইফল ৩ পোজিসন- অনজুম অমসুং তেজাস্বিনিনি। লোয়ননা রিজর্ভতা সুনিধি অমসুং গাইত্রি, মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা মানু ভাকর অমসুং য়েসাস্বিনি। অদুগা রিজর্ভতা নিভেথা অমসুং স্বেতা, মিটর ২৫ স্পোর্টস পিষ্টোলদা সর্নোবট অমসুং মানু লোয়ননা রিজর্ভতা চিনকি অমসুং অভিদনিয়ানি। নুপাগী স্কিটতা অঙ্গদবির অমসুং মাইরাজ, লোয়ননা রিজর্ভতা গুরুজোট অমসুং সিরাজনি। মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্সতা দিবিয়ান্স, এলাভেনিল, দিপক অমসুং অনজুম অদুগা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্সতা সৌরভ চৌধরি, মানু ভাকর, অভিশেক বর্মা অমসুং য়েসাস্বিনি সিংহ দেশৱালনি।

## মার্সিএল অমসুং সেন্ট ইটিন মখোয়-মখোয়গী মেটচ থোইখ্রে

পেরিস, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

মার্সিএল ফুটবোল টিমনা দিজোনবু অমদি সেন্ট ইটিননা নিম্সপু ফ্রান্সতা পাঙথোকপা লীগ ৱানগী ৩১শুবা রাউন্দগী অরোইবা মেটচ অনী অদু মায় পাকপা ঙমখ্রে।

মার্সিএলনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওরেঞ্জ ভেলোদ্রোম ষ্টেদিয়মদা দিজোনগা শান্নখি। টিম অনীমক লম্বা য়াম্না মান্নদুনা অহানবা হাফকী অপীবা মতম ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা মার্সিএলগী এটেক অমদা দিমিট্রি পায়েটনা পীরকপা বোলদা লিওনার্দো বালর্বিনা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনবদা ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদুদা দিজোনগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইক্কেলাইজর থিরকখি। অদুবু মখোয়গী শান্নরোয়শিং অদুনা ফংবা ঙমখিদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৭৯শুবা মিনটতা মার্সিএলগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা বোল সপ্লাই তৌখিবা দিমিট্রিনা অমুক হন্না পীবা বোল অমদা অলভারো গোঞ্জালেজনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ২-০দা মখোয়না থোইবা ঙমখি।

কোষ্টিরেজ ষ্টেদিয়মদা সেন্ট ইটিন অমসুং নিম্সকা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ২৩শুবা মিনটতা সেন্ট ইটিনগী মায়কৈদগী চার্লস অবিনা খায়রকপা বোল অমদা ৱাহবি খাজ্রিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা নিম্সপু হেন্দুনা লৈখি।

অহানবা হাফ লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী মিনট ২১ শুরকপদা সেন্ট ইটিনগী মায়কৈদগী মাহদি কারামানা ফংবা বোল অমা মতাং মতম চানা ইন্থোরকপদা টিমমেট দেনিশ বুৱানগানা ৬৬শুবা মিনটতা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মখা তানা মাঙজিল থাখি। মেটচকী লেমহৌরিবা পুংখায় ১ রোমগী মতম অদুদা সেন্ট ইটিননা হান্না মাঙজিল থাখিবা পাঞ্জল অদুনা মায় পাকপা ওইখি।

## মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ব্রাইটন এন্দ হোব অলবিওন থোইখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ঙরাং মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওল্দ ট্রাফোর্দতা শান্নবা মেটচ অমদা ব্রাইটন এন্দ হোব অলবিওনবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা ১৩শুবা মিনটতা ব্রাইটন এন্দ হোব অলবিওনগী মায়কৈদগী দেনি ৱেলবেকনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু মখোয়না ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী লেমহৌবা অহানবা হাফকী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবা ইক্কেলাইজর ফংবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকখি। মিনট ১৫ হেল্লবা ফাওবদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী ইক্কেলাইজর অদু উখিদে। অদুবু টিম অদুগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা ব্রুনো ফর্নান্দেজনা পীরকপা বোল অমদা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা মার্কস রাজফোর্দনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদু নৌহৌননা লম্বা হৌনরকখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৭তা ঙাইরবা মতমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী পোল পোগবানা পীরকপা বোলদা মেসন গ্রিনৱুদনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ২-১দা থোইবা ঙমখি। মায় পাকপা অদুনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ মেটচ ৩০দা পোইন্ট ৬০ ফংলগা মেটচ ৩১দা পোইন্ট ৭৪ ফংলিবা য়ূপ্লোন্নবা ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিদগী থাক অমা হন্থরগা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ ২-২দা দ্রো চৎখি। ন্যু কাসলর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি ২৮শুবা মিনটতা জোলিংটন অমসুং ৮৫শুবা মিনটতা জোসেফ ৱিলোকনি। অদুগা হোটস্পরগী মায়কৈদগীনা হেরিকেননা পাঞ্জল ২মক চনখি।

## এটলেটিকো মাদ্রিদ সেভিয়াগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীখ্রে

মাদ্রিদ, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

স্পেনদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদ সেভিয়াগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা সেভিয়াগী হোম গ্রাউন্দ আর সাঞ্চেস পিজৱানদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা অহানবা হাফকী অপীবা মিনট ৪৫ অদু লোইশিনবা ফাওবা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী মিনট ৩০ য়ৌরমদাইদা সেভিয়াগী মায়কৈদগী জিজস নভাসনা পীরকপা বোলদা টিমমেট মার্কোজ একুনানা ৭০শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা এটলেটিকো মাদ্রিদপু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিংনা লেমহৌবা মতম অদুদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মায়থীবা নংখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ভেলেন্সিয়াবু কাদিজনা ২-১দা থোইবা ঙমখি। রামোন দি কারাঞ্জা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু কাদিজকী মায়কৈদগী জোন কালানা চনবা ঙমখি। অদুবু ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোয় গোনকালো গুইদেজনা পীরকপা বোলদা কেভিন গামৈরোনা ইক্কেলাইজর অদু ১৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফকী লোইগদবা মিনট ২ খক্তা ঙাইরবা মতমদা কাদিজকী মায়কৈদগী মার্কোজ মোরোনা মহাক্কী টিমমেট ইভান এলেজোনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ২-১দা থোইবা ঙমখি। লীগ অসিদা এটলেটিকো মাদ্রিদপু রিয়াল মাদ্রিদনা তানখৎপা ঙমগদবা শুপ্পগী পোইন্ট ৩ খক্তমক ঙাইশিল্লক্লে। মথংগী রাউন্দদা শান্নগদবা মেটচশিং অদু লীগ অসিগী মকোক ওইবগী য়াম্না মরুওইবা ঙাক্তনি।

## পাকিষ্টান হোক্কী ওফিসলনা ইন্দিয়াগা মখা তাবা টাই থম্বা পাম্লি



করাচি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

পাকিষ্টান হোক্কী ফেদরেসননা মথং থাদা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী ৪৭শুবা কোঙ্গ্রেসতা ইন্দিয়াগা মখা তানা মেটচশিং ন্যুট্রেল ভেন্যুদা শান্নবা য়াননবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

কোঙ্গ্রেস অদু ন্যু দেল্লীদা মে ১৯দগীনা ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি। পাকিষ্টান হোক্কী ওফিসলগী মকোক থোংবা অমনা ফোঙদোরকপদা, কোঙ্গ্রেস অদুদা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং এগজিক্যুটিভ বোর্দকী মেম্বরশিং নৌনা মীখল তৌদুনা চহী ৪গী ওইবা ফম পায়গদৌরিবনি। মদুদা পাকিষ্টান হোক্কীগী মায়কৈদগী ইন্দিয়ন হোক্কীগী ওফিসলশিংগা ৱারী শানদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা হান্না শান্নরম্বা হোক্কী সেরিজশিং অদু ন্যুট্রেল ওইবা ভেন্যুদা শান্নবা হৌননবগী ৱারী শাবগী তাঞ্জা অমা কোঙ্গ্রেসকী মীফম অদুদা ফংগদৌরি।

শেল পুথদুনা লৈরিবা পাকিষ্টান হোক্কী অসিগী অমত্তা ঙাইরবা হিঙ্গৎনবা লম্বেল অদুদি ইন্দিয়াগা সেরিজ শান্নদুনা ব্রোদকাষ্টিং রাইটস, স্পোন্সরস, এদভর্টাইজরসকী মায়কৈদগী লাক্কদৌরিবা শেনফম অদু নৎত্রবদি অতোপ্পা শেল লাকপা য়াবা লম্বেল অমত্তা লৈতে।

## সাউথ অফ্রিকানা পাকিষ্টানবু রন ১৭তা থোইদুনা সেরিজ ১-১দা লৈনখ্রে

জোহেন্সবর্গ, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

পাকিষ্টান ক্রিকেট টিমনা সাউথ অফ্রিকা টুর মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল মেটচ ৩গী মনুংদা ২শুবা অদু য়ূম্বু সাউথ অফ্রিকানা রন ১৭তা থোইদুনা মেটচ অমমম্ মায় পাক্লদুনা সেরিজ মান্নদুনা লৈখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী ২দা শান্নখিবা অহানবা ৱান দে মেটচ অদু পাকিষ্টাননা সাউথ অফ্রিকাবু ৱিকেট ৩দা থোইখিবনি।

ঙরাং অথেংবগী মেটচ অদুগী টোস পাকিষ্টাননা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী অপীনবা ওভর ৫০দা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ৩৪১ লৌবা ঙমখি।

সাউথ অফ্রিকাগী ইন্নিংস অদুদা মকোক থোংবা বেটসমেন ৫গী মায়কৈদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখি। ওপনর দি কোকনা বোল ৮৬তা সিক্স ১ অমদি ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৮০ লৌরমখি। অতোপ্পা ওপনর মার্ক্রমনা বোল ৩৪দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৯ লৌরমখি। অহুমশুবা বেটসমেন অমদি কেপ্টেনসু ওইরিবা বাভুমানা বোল ১০২দা ফোর ৯ য়ৈরগা রন ৯২ লৌদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ভান্দর দুসেন বোল ৩৭তা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৬০ লৌরমখি। লোয়ননা মিলরনা আউট ওইদনা বোল ২৭তা রন ৫০ লৌরমখি।

পাকিষ্টাননা মেটচ অদু মায় পাক্লনবা রন ৩৪২ য়ৌনবা হোৎনরকপদা ওপনর ফাকর জমামনা বোল ১৫৫দা সিক্স ১০ অমসুং ফোর ১৮ য়ৈরগা রন ১৯৩ লৌদুনা য়াম্না ফজ খ্রবসু অতোপ্পা বেটসমেনশিংগী মায়কৈদগী মতেং ফংখিদবদগী টিম অদুগী ইন্নিংস ওভর ৫০দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ৩২৪দা লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু সাউথ অফ্রিকানা রন ১৭ তা থোইখি।

পাকিষ্টানগী ইন্নিংস অদুদা কেপ্টেন বাবর অজমনা বোল ৩৩দা রন ৩১ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা পর্ফোর্মেন্সনি। ৭শুবা বেটসমেন অসিফ অলিনা রন ১৯ লৌরম্বা, ৬শুবা বেটসমেন সাদব খাননা রন ১৩, মহমদ হস্নাননা রন ১২, অদুগা ফাহিম আশ্রফনা রন ১১ লৌরমখি।

টিম অনীনা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং ওইগদৌরিবা ৱান দে মেটচ অদু থা অসিগী ৭তা সেঞ্চুরিওনদা শান্নগদৌরি।


GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC WORKS DEPARTMENT

TENDER NOTICE No. 20

Date, Imphal the 5th April, 2021.

The Executive Engineer, Electrical Division No.I, P.W.D., Manipur invites sealed tenders in P.W.D. form-7 on behalf of the Governor of Manipur from the approved and eligible registered Electrical Contractors of PWD, Manipur, the bid shall be opened on 26/04/2021 upto 2 p.m for the following works :-

| SL. No. | Name of work. | E/Cost. | E/Money. |
|---|---|---|---|
| 1. | Renovation of IEI in the Manipur Press Club near Majorkhul at D. I Road. | Rs. 52,12,502/- | Rs.1,04,250/- |

The Cost of T/Form is Rs. 500/- & Time allowed will be three months. Application for purchase of tender forms may be submitted upto 12.00 noon of 22/04/2021. The terms & conditions for purchase of tender forms can be had from this office from 11.30 am to 4.30 pm on any working day upto 24/04/2021.The earnest money should be deposited in the form of demand draft/D-at Call drawn in favour of "Executive Engineer, Electrical Division No. 1, PWD, Manipur" from any nationalized/schedule bank of India.

Sd/- Executive Engineer,
Electrical Division No. I,
P.W.D., Manipur.

HL-B/6902/6


## নেথ্রা কুমানন্না ওলিম্পিক্কীদমক কন্না হোৎনরি


ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী সেল্লর নেথ্রা কুমানন্না মুসানা ওপন চেম্পিয়নশিপতা নীনি শুবা নুমীৎতা ফজবা ঙম্বদগী টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বোটা ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়র ইভেন্ট অমা ওইরিবা লেজর রেদিএল ইভেন্ট অদুদা ওলিম্পিক্কী ক্বোটা অনী য়াওরিবনি। নেথ্রা কুমানন্না ইন্দিয়াগী সেল্লিং পুৱারীদা হৌখিবা চহীদা য়ু এস এদা পাঙথোকপা হেম্পেল ৱর্ল্ড কপতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা অহানবা নুপী সেল্লর ওইখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মহাক্না পোইন্ট ৫ ফংদুনা মাঙজিল থারি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

### PUZZLE NO. 71



**GM Smeets,J (2596) - GM Van Foreest,Jorden (2632)**
**5th CNE ch-NED Rapid 2019 Amstelveen NED, 2019.12.01**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 |
| 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 a6 | 6.Be2 e5 |
| 7.Nf5 d5 | 8.Bg5 d4 | 9.Bxf6 gxf6 |
| 10.Nb1 Bb4+ | 11.Kf1 Bxf5 | 12.exf5 Nc6 |
| 13.Bd3 Qd5 | 14.Qe2 O-O-O | 15.a3 Qa5 |
| 16.g3 Kb8 | 17.Qf3 Ne7 | 18.Be4 Nc8 |
| 19.Bxb7 Qb5+ | 20.Kg2 Qxb7 | 21.axb4 e4 |
| 22.Qf4+ Nd6 | 23.Nd2 Rhe8 | 24.Nc4 e3+ |
| 25.f3 Qc7 | 26.Rxa6 Qxc4 | 27.Rxd6 Qxc2+ |
| 28.Kh3 Qc7... | | |

**QUESTION :**

**White wins in 5 moves**

**Puzzle 70 Ans. :**

**22.**...Ba6 **23.**Qh6 Qf8 **24.**Qxh7+The white queen decoys Black's king.Kxh7 **25.**Nf6+Double check Kg7 **26.**Rh7#


NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021

CLASS X & XII SC. (CBSE)
CLASS STARTING - 11th FEB, 2021

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM)
STARTING ON - 4th MARCH, 2021

* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.

Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-B/6719/21/1-26/2